ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯷, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ১৭, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩১১ শুবা মশীং

# উফুল ৱাইফুলগী লৈবাক

## *মীওইবগী হকশেলগী ফীভম এঞ্জিনিয়রশিংনা উদ্রে*

***য়ুনাইটেদ*** নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না নেসনল হায়ৱেশিংদা চথরকপা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লো এন্দ ওর্দর লাকশিন্দুনা থন্বা ঙম্বা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী (এন ঐচ-৩৭) নত্তনা অতৈ লম্বী অমত্তা ফাওনখিদ্রে হায়বা য়াই। অমখক্তমক ঙাইরবা লম্বী অসিদা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুশিনবগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দ্রাইভরশিংনা লম্বী অসি উফুলনা গাড়ী থৌবা ঙমদ্রে হায়না হেক হেক ফোঙদোকই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসি অথুবা মতমদা ফগৎহনগনি হায়বগী থাজবা কয়ারক হন্না পীরবসু লম্বী অসিগী শরুক্তা চাউরাক্লা কিলোমিটর ২০ লোমদি গাড়ী চৎপা য়াবা লম্বী ওইহনবা ঙমদ্রি। লম্বী অসিগী মক্রু থোং ময়াদা ওইরিবা লম্বীগী ফীভম অসি নোংজুথাগী মতমদনা তুরেলগুম্না ঈশিং চেল্লি। চাকা অনী পানবা নৎত্রগা লাইট ভেহিকলশিংদি লম্বী অসিদা ফাওরগা চৎপদা খুদোংথীনিংঙাইনি। ঈশিং চেল্লিবা খোংনুং অদু হৌখিবা থা ৩ লোমগী মমাঙদা ট্রান্সপোর্টর দ্রাইভর কাউন্সিলনা মণিপুর লৈঙাক্কী তেংবাঙ লৌরগা ফুঞ্জিনখি। মফম অদু করিগুম্বা ফুঞ্জিল্লমদবা থোক্লবদি হৌজিক মীয়াম্না লাইফ লাইননি হায়দুনা চৎনরিবা লম্বী অসি চৎপা য়ারমদবসু য়াই। হৌজিক্তি কিলোমিটর ২০ লোম শাংবা লম্বী অসি লেপ্তুনা গাড়ী চৎশিল্লকপনা মরম ওইরদুনা উফুল-ৱাইফুলনা খুউ য়ৌরে। লম্বী অসিদা গাড়ী থৌরগা চৎলিবা দ্রাইভর অমনা মহাক্কী হেক মমাঙদা চৎখিবা গাড়ী অদু কয়াম লাপ্লা নৎত্রগা কয়ামুক নক্লা লৈরিবগে হায়বা সুকউ উবা ফংদে। গাড়ী থৌবদা খমথেংনা খুদোংথীবা য়াবা থৌদোক কয়ামরুমগা লোয়ননা দ্রাইভরশিংনা ষ্ট্যারিং পায়দুনা লম্বী অসিদা চৎলি। লম্বী উদবা খক্তা নত্তনা হৌজিক্তি মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুরক্লিবা দ্রাইভর, হেন্দিমেন অমসুং মখোয়বু শোয়-ঙামহন্দনবা ইস্কোর্ট তৌরিবা পার্সনেলশিংদি হেল্‌থ এন্দ হাইজিনগী ৱাফমসু নৈনদবা য়ারক্ত্রে। মখোয়বু হকচাং ফনা, নাদ-য়েক্তনা থম্বা হায়বসি লৈঙাক অসিগী পান্দম ওইফম থোকই। মরম অদুনা লম্বী শেমখিরোই, উফুল-ৱাইফুল মরক্তা গাড়ী থৌহনখিগনি হায়বা তারবদি মাস্ক পীবগী তঙাইফদবা লৈরে।

মণিপুরদা লম্বী শেম্বা নৎত্রগা অতৈ চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা য়াবা মতম অসি মীয়াম্না ঈকং থা হায়না খঙনরিবা নিংথমথাগী মতম অসিনি। অদুবু হৌখিবা চহীগী নিংথমথা হৌরকপদা নোং চিফেৎ-চিফেৎ চূখিবনা লম্বী-থোং শেম-শাবগী থবকসু য়াম্না থেংথনা হৌখি। খুরুপ থানা থবক তৌরমদাইদা হৌজিক্লা তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল লাকশিনখিবা অমসুং মসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনখিবনা মরম ওইরদুনা থবক শূবদা খুরৌ থাংলে। খ্বাইদগী মরু ওইনা লৈকায় অমগা লৈকায় অমগা ফাওনবা লম্বীশিং, মরু ওইবা লম্বী তাবা য়াবা লৈরক কোনসাংশিং শেম-শাহৌদ্রে। মীখলগী খুদোংচাবা লৌবা মানবা মওংদা মফম খরদা তুরেলদগী কোৎলগা পুরকপা লৈঙোইগা য়ান্নবা নুঙচাক লৈরক কোনসাংদা হৈদোক্লগা লম্বী শেল্লি। লম্বী শেম্বগী মওং মতৌ অসি মরী লৈনবা ইঞ্জিনিয়রশিংগী মীৎয়েং মখাদরা হায়বসু মথোং খঙদে। নুঙচাকশিং অদুদা য়াওবা লৈঙোই নৎত্রগা লৈবাকশিং অদু উফুল-ৱাইফুল ওইরকই। লম্বী অদুদা গাড়ী থৌবদা পাইখৎলকপা উফুল-ৱাইফুল অদুনা মনাক নকপদা লৈবা য়ুমশিং মোৎশিল্লহল্লি অমসুং য়ুমদা লৈরিবা মীয়ামগী হকশেলদা শোকহল্লকই। লম্বী অসিদা চৎচবা মীওই কয়া নাতোন মেন্দবা য়াওনদ্রে, নিংশা চনিং তানা হোনবা ঙম্নদ্রে। অসুম্না লম্বী শেম্বগী মওং অসি ইঞ্জিনিয়রশিংনা রিকম্মেন্দ তৌব্রা নৎত্রগা কনানা য়েংশিল্লি। খ্বাইদগী মরু ওইনা সেগা রোড থৌদা ভাবোক লৈকায়গী লম্বী মতেক অসিদা তৌরিবা মতৌ অসি অঙকপা ওইরে। লম্বী শেমগনি হায়না শেম্বা হৌরবদি পাম্বৈ অমা তৌরগা লোইশিল্লম্বা করি কায়বা লৈবগে। ইকনমিক ব্লোকেদতা থৈজিল্লগা কোয়লা ফংদ্রে হায়দুনা লম্বী মখা শেমদবা ওইরগদি তঙাইফদনা লোগী মতুং ইন্না লম্বী মতেক অসি শেল্লিবা ঠিকাদার অদুনা নোংমদা অহুল্লক্তগী তাদনা ঈশিং চাইরগা উফুল ফাগদবনি। মতাং অসিনা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ষ্টেট অসিদা ভোট ময়াগী তাৎ-পাৎ ওইনা কনাগুম্বনা লম্বী শেল্লিবনি হায়দুনা নুঙচাক হৈদোক্লগা উফুল-ৱাইফুল হৌহল্লিবসি লোনা য়াদে। ঠিকাদার অদুনা লম্বী অদুগী উফুল ফাননবা পাম্বৈ অমা পুথোক্কদবনি। পাম্বৈ অদুগী শরুক অমা ওইনা ঈশিং চাইরবসু থোয়না কায়দে। মদু নত্তনা ঠিকাদারশিংনা এঞ্জিনিয়রশিংগা মান্নরগা মীয়ামদগী ৱাকৎ লাক্লোই হায়না খনবা তারগদি অফবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমদা মীয়ামগী হকশেল হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবনি হায়বসি এঞ্জিনিয়রশিংনা খঙফম থোকপনি। উফুল-ৱাইফুল হৌবা লম্বী খুদিংমক লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙউ হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মণিপুরদা টুরিজম

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মালেমগী** মফম অমত্তদা লৈতবা ইমা লৈবাক ইরমদম মণিপুরগী সঙাই অসিনসু মণিপুর মালেমদা মশক তাক্লিবনি। মসিদা অমুক্কা কুমজা ২০০০ দগী সঙাইগী মমিংদা পাঙথোকপা সঙাই ফেষ্টিবেল চহী খুদিংগী পাঙথোক্লি। মতুংদসু লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা থম্নরি। সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদোকপা নুমিৎতা মণিপুরগী মফম কয়া অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওই কয়া লম কোয়বা লাক্তুনা লমদম অসিগী ফজরবা মফম কয়া য়েংবা, মদুগী য়েংফম ফজনা শেন্বীবা অমসুং টুরিষ্টকী মফম কয়া শেমগৎলবদি টুরিজমদগী ইনকম কয়া লমদম অসিদা লাক্তুনা লমদম অসি ইনাক খুনবা লমদম অমা ওইগনি হায়না লুচিংবা কয়ানা ফোঙদোক্লম্বা তাবদা নুংঙাই। মসিদা হংনিংবা ৱাহং ১০০/১০০ লৈখ্রবনি। মরম হংনরবদি চহী অমসি নুমিৎ ৩৬৫ না শাবনি। টুরিষ্টকী মীওইদি মতম অমদা হেক্তা লাকপা য়াই অদুগা সঙাই ফেষ্টিবেলগী মতম নৎত্রবদি টুরিজমগী ৱাফম ঈশিং মনুংদা তাখিবা নূংদুমগুম তুমিন্না লৈখিবা, করম্বা লৈঙাক্লা মতম অসুক কুইবা অসিবু মণিপুরগী ফজরবা মফম কয়া মায় ওনশিনদুনা অতোপ্পা লৈবাক্কী মীনা য়েংবা লাক্লবা করম করম্বা মফম শেমগৎলবগে? ফজরবা মফম কয়া মহৌশানা থল্লম্বা অসিদগী খূৎশেম খরা য়াওশিন্দুনা ফজনা শেন্বীবা মতমদা অঙকপা ফংনা ফজগদবা চীংগী অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়া লমদমসিদা মরাং কায়না লৈরিবনি। মসিদা টুরিজম লোইশঙনা করি থবক পায়খৎতুনা করি করম্বা মশক থোকপা ফজবা মফম থম্বীদুনা মীয়াম্না য়েংবদা পূক্লিং হুনবা থম্বীরবগে? লৈকোল খরা লৈরিবা অসিসু লন্নাই মীওইনা শেন্বী শাবীদুনা থম্বা ঙাক্তনি। অদুনা সঙাই ফেষ্টিবেলগী মতমদদা টুরিষ্ট নীংশিংবা তৌবীগনু। ফেষ্টিবেল য়ৌদ্রিঙৈদা ফজবা মফম কয়া শেন্বীদুনা ফেষ্টিভেল লাকপা মীওই খুদিংনা য়েংবা য়ানবা শেন্বী শাবিবা তঙাইফদ্রে হায়জনীংই। অদুগা চৎথোক চৎশিন্দা হেন্না খুদোংচানবা অমগা অমগা শম্নবা লম্বী থোং নিংথিনা শেন্বীবা য়াম্নমক তঙাইফদে। লম্বী থোং ফৎত্রবদি ফজবা মফম কয়াসু য়েংবীনবা কনাসু লৈরোই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি*
*ককচীং খুনৌ মখা হায়স্কুল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩

১। ‘‘প্রনাম দাদা থানিল / কয়াদি কুইরে পাউ তানদ্রীবা / তৌববুদি সময় সময়গী মতুং ইনবনি।’’ ৱাহৈশিংসি উপন্যাসকার কনানা ইবা উপন্যাসতগী লৌথোকপনো?
২। ‘‘মালংবনা হংলি / মী তিনবা মফমদা / মীগী মনমসু লৈবরা / লৈকোন্দা লৈগী লৈনমগুম।’’ কবি কনানা হায়বা ৱাহৈশিংনো?
৩। ‘নোংমাইজিংগী চিঙদোন্দা’ হায়বা শৈরেং লাইরিক অসি অইবী কনানা ইবনো?
৪। জয়দেবগী ‘গীত গোবিন্দ’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। ‘য়েন্নীংথাগী ঈশৈ’ দ্রামা অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ভিদিও কেসেটকী দুকান ফম্লম্বদগী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা হোৎনরকপা

অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং



জয়াললিতা



শশিকলা



পনিরশেলভম

***ঙরাংতা*** চাক্লিবা ওইরম্বা মীওইদু ঙসি হেক্তা শেঞ্জাউ পায়বা মী ওইবা য়াই। তম্বা ঙমদবা মীওইবগী মপোকনি। মদুদগী অমুক ভোটকা লেপখৎলক্তুনা এম এল এ / এম পি কাবা য়াই। অদুগা অমুকসু মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর, প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইবা য়াই। মসিগী খুদম হায়ববু অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা দোনাল্দ ত্রম্প অসিনি। হোটেলগী ব্যুজিনেস তৌবদগী শেল য়াম্না পায়রবা মীওই অমনি। অমরোমদনা শেঞ্জাউ পায়রবী শশিকলা নতরাজননা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা হোৎনরুবদু অরেম্বদা তাখ্রে। মপুন্সিদা ভোট অমুক্তা লেপত্রিবা মহাক্লা চাউখ্রবা ষ্টেট টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইগে হোৎনরুবা অরেম্বদা তাখ্রে। চীফ মিনিষ্টর ওইবদি লায়রদুনা বেঙ্গলুরুগী জেলদা থাজিনখ্রে, লুপা ক্রোর ৬০ গী মথক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা মশাগী লন ওইনা লেপশিল্লম্বগীদমক। মীনাই-মীশন থমদুনা অয়ৌবী থাক্তা নুংঙাইনা লৈরম্বী শশিকলা জেল মনুংগী অপীকপা কা অমদা চহী মরি লৈবা তারি। মদুগীসু মথক্তা লুপা ক্রোর তরা হেনবগী ফাইন থিবসু তারি। চহী তরা মীখল থেংনবসু য়ারোইদবগী ৱায়েলসু পীরিবনি। ফাদোক তারবা মহাক্নসু অমুক খরা হেন্না চাউবা কা অমা, চয়োল অমদা নন-ভেজ ওইবা চাক্লেন অনী, পুং ২৪ দাক্তরগী খুদোংচাবা পীবিনবসু হায়রি।

লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগী পাউখোল্লোয় ওইনা লৈখি শশিকলা চহী কুন্থ্রা হেন্না। জয়াললিতাগী মরুমদা মহাক্লা খঙজবা-তমজহৌবা পোলিটিক্সকী কাঙলোন কয়া অদুনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী ফম্বাল তোংগে হায়বগী লালহৌ অমা তৌরকপনি। মসি থায়নগী হায়বা তারবদি কোনুং লালহৌ হায়বদুনি। ঙক য়োল্লগা নিংথৌ ওইগে হোৎনরুবদা অঙাং ওন্দুনা তোকপা অদুগুম্বনি। জয়াললিতা অমদি শশিকলা মখোয় অনী কুমজা ১৯৯৬ তা কলর টি ভি লৈবদা শেঞ্জা থুমজা তৌখি হায়বগী মরালদা ফাখি। জেলদা মখোয় অনী থা অমা লৈখি। মদুগী কেস অদুগী মতুং ইন্ননি অরোইবা ৱায়েল লাক্তুনা শশিকলাবু হন্দক্তা জেলদা চহী মরি লৈনবা থাজিনখিবসি। শশিকলা কনানো? মহাক কুমজা ১৯৫৭ তা পোকখি। খুঙ্গংগী ওইবা পুন্সি অমদি লৌমীগী ইমুং অমদা পোকখি। মহাক্কী মপুরোইবসি টামিল নাদুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টতা পব্লিক রিলেসন্স ওফিসার ওইবনি। মহাক্কী মপুরোইবসি ইন্দিয়াদা ইমর্জেন্সি থমখিবা মতমদুদা চহী মরি থবক্তগী সস্পেন্দ তৌদুনা লৈখি। মতমদুদা ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফীভম ফৎচিল্লকখিদে। মসিনা মরম ওইরগা শশিকলানা ভিদিও কেসেট য়োনবগী দুকান অমা ফমখি। মতমদু ভিদিও কেসেটকী হৌগৎলকপা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা মতম অদুনি। শশিকলানা দুকান অদু ফম্মি। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দি সি চন্দ্রলেখা হায়বি নুপী অদুদা শশিকলানা মখোয়গী অৱাবা থেংনরিবশিং অদু শেংনা ৱারী লীখি। মদুদা চন্দ্রলেখানা শেলগী মতেং পাঙবিখি। মদুদগী শশিকলানা শিঙ্গাপুরদা চৎতুনা ভিদিও রেকোর্দিং তৌনবগী মেছিন লৈদুনা মাগী দুকান অদু চাউথোকখি। মদুদগী লুহোংবগী ভিদিও রেকোর্দিং তৌবা, মীটিং কয়াগী ভিদিও রেকোর্দিং তৌদুনা শেল পায়খৎলকখি।

নোংমদি শশিকলানা চন্দ্রলেখাদা মহাকপু জয়াললিতাদা অমুক্তং শক্তাকপীনবা হায়জখি। চন্দ্রলেখাগা জয়াললিতাগদি য়াম্না নকশিন্না তিন্নে। মতমদু জয়াললিতাদি এ আই এ দি এম কে পার্টিগী প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি ওইরি। মসি উবদগীনি শশিকলানা জয়াললিতাগী মীটিং কয়াদা ভিদিও রেকোর্দিং তৌবগী তাঞ্জা ফংলবদি মাগী থবক অসিদা য়াম্না কান্নগনি হায়না খঞ্জখি। অদুবু পোলিটিক্সকী ওইবা লম্বীদা চৎনবগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়না খঞ্জখিদে। চন্দ্রলেখানা জয়াললিতাদা ৱাফমসি হায়খিবা মতুংদগীদি মীটিং কয়াগী ভিদিও রেকোর্দিং তৌখি অমদি মখোয় অনী অসুক্কী মতিক লুনা/নক্লা তিন্নখি। জয়াললিতানা মহাকপু হেক পোকমিন্নবা মনাওনুপীনি হায়দুনা মহাক্কী ময়ূমদা থমখি। শশিকলা, মাগী মপুরোইবা অমদি ইমুং মনুং পূম্নমক জয়াললিতাগী নুংঙাইরবা য়ুমদা লৈখি। শশিকলানা জয়াললিতাগী থবক পূম্নমক্তা মতেং পাঙখি। ইমুং মনুংগী, মাগী থবক-ইনখাংগী পূম্নমক্তা মতেং পাঙদুনা তেংবাঙবি ওইনা লৈখি। মসিগী মতুংদা শশিকলা এ আই এ দি এম কে পার্টিগী মেম্বর ওইখি। পুং ২৪ জয়াললিতাগা লোয়নদুনা লৈবনা পোলিটিক্স করিনো হায়বসি উবা ফংলকখি। মসিগা লোয়ননা পোলিটিক্সকী ফম মুন্নবা, য়েক্লবা কয়া থোক্লকপা, পার্টি মনুংগী ঈরাং মদু পূম্নমক্তু থেংনবা অমদি ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী লাল্লোং পূম্নমক্কী পাড়া ফাখি। মখোয় অনী কয়াদা লুনা লোয়নরম্বগে হায়ববু শশিকলাগী মচেনা পোকপা মচানুপা সুধাকরনবু জয়াললিতাগী মচানুপা ওইনা য়োকচখি।

কুমজা ১৯৯৬ কী টামিল নাদুগী এসেমব্লি মীখলদা জয়াললিতাগী পার্টিসি চাউনা মায়থীবা নংখি। পার্টি মনুংদা মদুগী মরমদু নৈনবদা য়োকচবা মচানুপা সুধাকরন লুহোংবদা তৌখিবা য়াম্লবা চাদিং অদুদগী ওইগনি হায়না লৌনখি। মদুগীসু মথক্তা শশিকলা, মাগী মপুরোইবা অমদি সুধাকরনগী খূৎ য়াম্না পার্টি অমদি গভর্ণমেন্টতা চঙলকপদগী মায়থীবা নংবগী মরম অমনি হায়না লৌনখি। মীখল অদুদা মায়থীখিবদগী জয়াললিতা অমদি শশিকলা অনীগী অৱাবা মতম হায়বদু ওইখি। দি এম কেনা গভর্ণমেন্ট পায়রক্লবা মতুংদা মখোয় অনীগী মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগী কেস কয়া লৌথৎলক্তুনা অচৌবা চৈথেং পীবা হৌরকখি। হুইনাউ মচা চাউনবা য়োক্লুরগা লৈতোন্দা লেকই হায়বদুমক জয়াললিতাদা থোকখি। অৱাবা মতম অদুদা পার্টিগী লুচিংবগী ফমদগী লৌথোক্লবা শশিকলাগী মপুরোইবনা হোৎনবগী মমি তারকপদগী মহাকপু জয়াললিতানা তান্থোকখি। মহাক্লা য়োকচবা মচানুপাবুসু তান্থোকখি। শশিকলাখক্তমক ময়ূমদা থমহৌখি। অদুবু মাগী মায়োক্তা লৈবশিংগী মতেং পাঙবা য়াওই হায়বগী খুদম চাংদম ফংবদগী শশিকলাবুসু পার্টিগী মেম্বর ওইবদগী তান্থোকখি। মসিগীসু মথক্তা মহাক্কী ময়ূমদগী তান্থোকখি। মতাং অসিদগী মখোয় অনীগী কুইনা লৈরক্লবা মরী অদু তৎখি। অদুবু মতম খরা লৈরগা শশিকলানা মহাক্লা তৌখিবা থবকশিং অদুগীদমক লানখ্রে ঙাকপীয়ু হায়জরকপদগী অমুক হন্না পার্টিনা লৌশিনখি অমদি মহাক্কী ময়ূমদা অমুক হন্না থমখি।

জয়াললিতানা নাদুনা হোস্পিটালদা নুমিৎ ৭০ নি লৈবা মতমদুদা শশিকলানা মাগী মনাক্তা থৌগল তৌদুনা লৈখি। চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা ও পনিরশেলভম ফাওবা শশিকলানা জয়াগী মনাক্তা চঙহনখিদে। পনিরশেলভমদি জয়াললিতাগী খ্বাইদগী থাজবা অমদি নক্লবা মীওই অমনি গভর্ণমেন্টকী অমদি পার্টিগী মীৎয়েংদা। অদুবু নারিঙৈদা অমুক্তফাওবা শশিকলানা চঙহনখিদবা হায়বসি মাংজৌননা শশিকলানা তৌখিবা অচৌবা লৌতুনবনি হায়না লৌনৈ মরমদি পার্টি অমদি গভর্ণমেন্টকী ওইবা তুংদা লাক্কদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া শিন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈবদগীনি। মদু ওইরবদি শশিকলানা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী ঈরাং তৌরক্লিবসি তৌবা ওইথোক্লোই। শশিকলানা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম পায়শিনখি জয়াললিতানা থুপখ্রবা মতুংদা। অদুবু পূম্নমক ওইদুনসু শেঞ্জা থুমজা তৌবদগী মরাল লৈরবা মীওই অমনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়বা হায়বসি দেমোক্রেসিবু ইকায়বা পীবনি। অমরোমদা শশিকলানা পোলিটিক্সতা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙল্লবদি মাগী লংজরুবা মরাল অদু থৈদোক-থৈজিন তৌবা য়ানবা হোৎনবগী লাল্লোং অমসুনি হায়না লৌবা য়াই।

# মাঙজরিবসি কনানো, তোংজরিবনা কনানো?



মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন

‘‘***ভোট*** অমা থাদবগী মমল লুপা লিশীং অনী, লিশীং অহুম, করিগুম্বদা লক্তান্নবা ষ্ট্রেট ফাইট তৌনবা কনষ্টিটুএন্সিশিংদনা, শুপ্নগী ভোট অমখক্কী মমল লিশীং মরিসু ওই, মঙাসু য়ৌই’’ - ৱাফমসি মীয়াম্না ঙাঙনবনি। শোরি-পারি ঙাঙনরিব্রা নৎত্রগা অচুম্বমক ওইনা ঙাঙনরিব্রা হায়বসি চপ-চানা খঙবা ঙমদ্রি। তশেংনমক ৱাফমসিনা তোকঙা নৎলমদদুনা অচুম্বমক ওইরম্বা তারবদি, লৈবাকসি শোয়দনমক্কী চাওখৎপা থিন্থখিনি। অদুগা, হেক তশেং তশেংনা ইমিৎসিমক্লা উহৌবমকসু নত্তবনিনা, ৱাফমসিগী মরমদা কম্মেন্ট অমা পীবা হায়বসিসু লুনা থোক্কনি। অদুবু, ভোট থাদনবগী থৌদৌদি লমদমসিদা মহৌশানা, ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংনা ভোট পীগদৌরিবা ভোটরশিংবু মপুক পেলহন্দুনা অমদি ভোটরশিংগী অপাম্বশিং য়ারিমখৈ থুংহন্নবা হোৎনদুনা, থেম-নৌরগা ভোট ফংহৌনবা হোৎনবনি হায়বসিদি চুম্লবনি। থৌদৌসিমক তশেংনা অইবা ওইনা ফোঙদোক্তুনা লৈরবা অমদি লাইরিক্লা হায়বা, মীয়াম্না য়ানরবা ইলেক্সনগী ৱাহম্থোক্তুমক্তি নত্তে। উরিবসি, অচুম্বা অমসুং অশেংবা মশক মাঙখ্রবা, মতমসিগী কেন্দিদেটশিং অমদি ভোটরশিংগী মরক্তা য়ান-কাঙলোন অমগী মখাদা চখনরিবা ঙসি-ঙসিমক ওইরিবা মতমসিগী ইলেক্সনগী থৌদৌসিনি। থৌদৌসিদা, কনানা কনাদা খুদোংচাবশিং পীরিবনো অমদি কনানা কনাদগী খুদোংচাবশিং লৌরিবনো হায়বসি, লমদমসিগী মীয়াম্না ঙসি ফাওবদা নোংমতা খন্থরুবা তৌনদে। হীরমসিগী মতাংদা অচুম্বদু করিনো হায়বসিমক্তংদি অমুক্তং খঙদোকমিন্নবা চুমগনি।

মতমসিগী ইলেক্সনগী থৌদৌসি, ভোটরশিংনা কেন্দিদেটশিংদগী লৌথোক-চাথোক্লবা হোৎনবা ঙাক্তগী ৱারা নৎত্রগা কেন্দিদেটশিংনা ভোটরশিংবু মশা মশাগী বিজিনেসকুম লৌদুনা মমল পীরগা লৈবগী ৱাফম্লা হায়বসি খন্নবগী মথৌ তারক্লে। ৱাফমসি ঐখোয় পূম্নমক অমুক্তং পূন্না খন্থমিন্নবা চুমগনি। থৌদৌসিদা তশেং তশেংনা তোংজরিবশিংসি কনা-কনানো অমসুং মাঙজরিবশিংনা কনা-কনানো হায়বসি কূপ্লা খন্ন-নৈনবা মতম ওইরক্লে। ঐখোয়, ৱাফমসিগী মরমদা অচুম্বা পাউখুম অমা থিদোকমিন্নবা তঙাইফদ্রে। হীরমসিদা অমুক্তং খন্থমিন্নসি। থৌদৌসিনা তুংদা লমদমসিগী মীয়ামগীদমক য়াইফবা শোয়দনা ওইরকপা য়াই। অনৌবা খোঙথাংসিগীদমক মণিপুরগী মীচম মীয়াম খুদিংমক্লা ইলেক্সন করিনো হায়বসিসু মচা খায়না খঙদোকমিন্নবা চঙই। মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা, চীং অমসুং তম অনীমক্তা চথরক্লিবা ইলেক্সনশিংদা তশেংনমক, ফ্রি এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোকপা আইদিএল ওইবা ইলেক্সন অমগী মমি হায়বদুদি ঐখোয় খক তাহনবা ঙম্লকত্রি। মমিসি হন্দক্কী ইলেক্সনসিদসু নিংথিনা তাগনি হায়বা খক থাজদ্রি। থৌদৌসি ইন্দিয়াগী মপান লমগী ইলেক্সনশিংদসু থোক্লদবদি নত্তে। অদুম ওইনমক, চাওখৎপা অমসুং মওং-মরীল চুম্না পাঙথোকপা ইলেক্সনগী মমি হায়বদুদি ইরমদমসিদা তাহন্নীংই। থৌদৌসিতনা পীক্লবা ইরমদমসিবু কঞ্জনবা হোৎনবদা অমদি ইরমদমসিদা চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা মতেং শোয়দনা ওইনগনি। অদুবু লাইবক থিরিবদি ঙসি ফাওবদা, ইরমদম মণিপুরসিদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনগী থৌদৌশিং কয়ামুক্তা, তশেংনা পেন্নীংঙাই ওইবা থৌদৌশিং খক উখিদ্রিবসিনি। তশেংনমক, লমদমসিগী মশীং থিঙমদ্রবা ইলেক্সনশিংদা ওন্ন-তৈননা অমদি মনীং মমাঙ শম্নদনা চথরকখিবা থৌদৌশিং কয়ামুক্তুনা ঙসিগী ইরমদমগী মরাইবকসি অসুম্না লেপ্লিবনি। ৱাফমসি ঙসি ফাওবদা ইরমদমসিগী ইরৈচা কয়ামরুম্না খক খন্থনদবগুম তৌরি। থৌওংসিমক্তি লানফম থোকপ্রা খল্লি।

মতমসিগী শেল পাম্বা ভোটরশিংনা ইলেক্সন নুমিৎতা, নুংথিল পুং ৪ তারমদাই ফাওবা কেন্দিদেট খুদিংমক্তগী মীশিং শুনা শেল লৌহৌনবগীদমক ঙাইদুনা লৈবগী চৎনবী, লমদমসিদা য়াম্না তোয়না উরক্লি। নুমিৎসিদা মীওইশিংসিনা পূন্না লুপা কয়ামুক তানহৌবা ঙম্লমগদগে? লুপা লিশীং মঙা-তরুক্তগী হেন্না খক তানবা ঙম্লমগনি থাজদে। থৌদৌদুদা ভোটরশিংদুনা খল্লম্বা য়াই, ‘‘ঐখোয় মঙাইরে, ইলেক্সন নুমিৎসিদা শেল নিংথিনা তানবা হৈবসি’’। মশা মথন্তনা শেল তানবদা হৈথোই শিংথোইবা মীশক অমমমগুম চাওথোকচবসু পোক্লমগনি। নুমিৎতুদা মখোয়না তাল্লিবা শেনফমশিংদু তশেংনমক, লেম্না তোংলবা অচৌবা শেনফম অমগুম লৌরমগনি। তশেংনমক্তি শেনফমশিংদু মথং চহী মঙাগী শাংলবা মতমদুদা মখোয়না লৈঙাক্তগী ফংফম থোকপা হক পূম্নমক্তুগা ওন্নখ্রবনি অমসুং তুংদা য়াইফরক্কদবা লৈবাক্কী থৌরাং কয়ামুক্কী পায়খৎশেনশিংসু য়াওনা মখোয়দা শীন্নবিরকখ্রবনি হায়বসি কোকশিংদুনা কৈদৌঙৈদা খক লাম্বা ফংলম্লোই। কনষ্টিট্যুএন্সিদুদা মখোয়গুম্বা, মখোয়গী কোক্তুম্না পানবা মীওই কয়ামরুম্না মখোয়গুম্না, শাংলবা চহী মঙাগী মতমদুদা শুপ্নগী অঙাংগী ঙামোক ফাওবা লৈবা কোন্নরোইদবা শেনফম খরখক্তু লৌহৌরগা কেন্দিদেটশিংদুনা তুংদা করি তৌখিগদৌরিবনো হায়বদু, মখোয় কনামতনা খঙবা খক ঙম্লম্লোই। মখোয়না, শাংলবা চহী মঙাগী মতমগী অচৌবা শেন্দান লম্বেন অমা কেন্দিদেটশিংদুদা লেম্না শীন্নখ্রবনি অমদি ক্রোর মশীং খঙদনা শোয়দনা শেন্দোং লৈরগদবা বিজিনেস অমা মখোয়না কেন্দিদেটশিংদুগী মখূৎতা শীন্নখ্রবনি হায়বসিসু মখোয়গী ৱাখল্লোন্না খক ফাওরম্লোই। থৌদৌশিংসিনা য়োল্লবা ইরমদমগী ইলেক্সনশিংগী মহয়নি ঙসি, লমদমসিগী মীচমশিং ঐখোয়গী মিৎনা উরিবা ইরমদমসিগী লৈঙাকসি।

হৌজিক হৌজিকমক, মণিপুরগী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদা ভোটর ঐখোয়না করি তৌফম থোকই? ৱাফমসি অসুক্কী মতিক অরুবনি। করিগুম্বা কনষ্টিট্যুএন্সি অমখক্তা কনষ্টিটুএন্সিদুগী ভোটরশিংনা পামদবা মীশকশিং ঙাক্তনা কনষ্টিট্যুএন্সিদুগী মীরেপশিং ওইরক্লবদি কমদৌগনি? ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মমাঙগী ইলেক্সন্দগী হৌনা ‘নোটা’ হায়বা বট্টন অমা পুথোক্লকখ্রে। ভোটরশিংনা কনষ্টিট্যুএন্সিদুদা মীরেপ ওইরিবা কেন্দিদেট খুদিংমক্তু ইশানা পাম্বা মীশক অমত্তা ফাওবা য়াওদ্রে খল্লবদি ময়েক শেংনা নোটাদা ভোট থাদবা য়াই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি, নোটাদা থাদবা ভোট মশীংনা অপূনবদগী পার্সেন্টেজ অসুক ফাওবা য়ৌরবদি কনষ্টিট্যুএন্সিদুগী ওইনা মীরেপশিংদু ইনভেলিদ চৎহনগদবনি অমসুং কনষ্টিট্যুএন্সিদুগী ইলেক্সন অমুক হলহনগদবনি হায়বনচিংবগী ৱাফমশিংদি লৈবা থেংনদ্রি। থৌদৌসি হৌজিকমক্কী ওইনদি লাইবক য়াম্না থীরিবনি। মীরমদদি ৱাফমসিফাওসু য়ৌনা খন্ন নৈনখ্রবনি। ফীভমসিদা, মণিপুরগী ভোটর ঐখোয়না ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্না অফবা অমসুং অচুম্বা তৌরক্কদৌবা মীশক খল্লগা ভোট পীবগী হৈনবী ফাওবা থম্বা ঙমদ্রি। ইরৈপাক-ইরমদমসি মতৌ করম্না চাওখৎলক্কনি? মীয়াম ঐখোয়না অসি য়ৌনা ৱাখল মপূং ফাদ্রিবসিদদি, লমদমসিদা মুন্দুনা ভোট কানীংলিবা, হুরান-লোন্নাগী শেন্দান-লম্বেলশিং চখনীংলিবা মরন্নাইগী খক খন্দুনা চোঙথোক্লকপা কেন্দিদেটশিংসিনদি কয়াগী মতিক খুদোংচাবশিং লৌরমগনি? ইলেক্সন্দা শেল লৌহৌবগী হৈনবী ঐখোয়না থাদোকপা ঙমদ্রিমখৈদি, ঐখোয়গী ইরৈপাকসিনা কৈদৌঙৈদা খক চাওখৎপা অমসুং নুংঙাইবা ইরৈপাক হায়বদু ওইরকখিরোই। ৱাফমসি ঐখোয়গী ৱাখল্লোন্দা লেংদনা থম্মীন্নবা মথৌ তাই। শেল লৌদনা ভোট থাদবা হৈনদবগী থৌদৌসিদা মাঙজরিবসি কনা-কনানো অমসুং তোংজরিবশিংনা কনা কনানো হায়বসি ঐখোয় অমুক্তং মুন্না খন্থমিন্নবা ফৈ। ৱাফমসি খক কাউথোকমিন্নগুমসি।

চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাউই, মীয়াম্না পঙলগা কেন্দিদেটশিংনা মতোল থোকই। ভোটতা শেল লৌরুবা অপংবা মীচম-মীয়ামশিং, মতম মতমগী অচৌবা মৈফমশিংদা শোয়দনা মৈচম ওইনরক্কনি। মীয়ামগী খন্দনা মরন্নাই ৱাখল্লোন্দা মরৈবাকপু সগুন তৌরিবা মীওইশিংগী সগুন-থাঙ ওইদুনা তেংবাঙলুবগী ৱাহম্থোক করিনো ? ভোটতা শেল লৌরগা থাদরুবা কাঙবুশিং নোংমা নৎত্রগা নোংমা শোয়দনা খুদোংথিবশিং থেংনরক্কনি। মতমসিগী মীয়াম, মমাঙঙৈদা ওইরম্বা মীয়ামদু খক নৎত্রবনি। ঙসিগী মীয়ামদি, মতমসিগী মীয়ামগী লুচিংবা ওইজগে, মীয়ামগী থৌগল ফংজগে চোঙথোক্লক্লিবা কয়াসিবু চাম্মরক হন্না পাড়া তম্বীবা ঙম্বা ঙাক্তা ওইশিল্লক্লবনি। অদুঙৈ তুম্মাই সংবাই অমা চারিঙৈদা পোকখিবা লমদমসিগী মীয়ামদুগুম্বা ওইনদি খক লৌবা য়াররোই। ভোটতা শেল খরা মিকানরুব্রা হায়ববু অরেম্বদা, লৈকায় কুম্মৈ ওইনদুনা তোক্কনি।